Refreshingly Reliable

# HUEIYEN LANPAO

# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses


আর্মদ ফোর্সেস ফ্লেগ দেগা মরী লৈননা রাজ্য সাইনিক বোর্দকী সেক্রেটরি কর্নেল সুসিল কুমার শর্ম্মনা রাজ ভবনদা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলাগা উনদুনা ফ্লেগ খুদোল তম্বা



এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা সঞ্জেন্থোংদা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ এগ্রিকলচরগী ফার্মরস ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখিবা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোইবু তরাম্না ওকপগী থৌরম




দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি থৌবালনা শীন্দুনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ফবা পুলিস ষ্টেসনগী এব্বার্দ ফংখ্রবা নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ও সী কৈশাম প্রিয়োকুমারবু তরাম্না ওকপগী থৌরম




লমকা-বুকপি, লমকা-সঙাইকোট অমসুং লমকা-বিহাং চেনগদবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট (এম এস টি)কী বস সর্ভিস ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর বুংজাগিন বালটেনা ফ্লেগ ওফ তৌদুনা হৌদোকখিবা





Vol. 44, Issue No. 251 | লৈবাকপোকপা, হিয়াঙ্গৈগী ২৩ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, December 08, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


সী এমনা ষ্ট্রিট ভেন্দর ৩৩৬২দা লোনগী শেনফম য়েন্থোকখ্রে

# বিষ্ণুপুর, সেকমাই অমসুং চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা নুপী কৈথেল ১০ শাননবা হোৎনরি : সী এম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি ষ্ট্রিট ভেন্দর ৩৩৬২দা প্রধান মন্ত্রি ষ্ট্রিট ভেন্দরস অত্মা নির্ভর নিধি অমসুং মুদ্রা স্কিমগী মখাদা পীবা লোনগী শেনফমশিং য়েন্থোকখ্রে।

মণিপুর অর্বান দিভলপমেন্ট এজেন্সী (এম য়ু দি এ)না শীন্দুনা সী এম সেক্রেটেরিয়েটতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, লাক্লিবা দিসেম্বর ৯দা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোক্কদৌরিবা কেবিনেট মীফমদা প্রধান মন্ত্রি ষ্ট্রিট ভেন্দরস অত্মা নির্ভর নিধি অমসুং মুদ্রা স্কিম অসি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদসু পায়খৎননবা খন্নরগনি। ষ্টেট অসিগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা রুরেলগী ইকনমি ফগৎহনবা অসিসু য়াম্না মরুওই। মণিপুরগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্ননবা হোৎনবদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসিসু শীংথানিংঙাইনি। লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর



খরা অমদি তম্পাক্কী মফমশিংদা কৈথেলশঙ কয়া শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎলি। লম্লোং, ক্বাকৈথেল, ৱাবগাইনচিংবদসু কৈথেলশঙশিং শারি। বিষ্ণুপুর, সেকমাই অমসুং তোঙান-তোঙানবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদসু অনৌবা নুপী কৈথেল১০ শাননবা হোৎনরগনি।

মহাক্না হায়খি, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অমদি অতোপ্পশিংদা লোন পীদুনা বেঙ্কশিংনা শেলগী তেংবাং পীবসি থাগৎলি। মথৌ তাবা মীওইশিংদা মপুং ফানা তেংবাংবা বেঙ্কশিংসু মথংগী ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমদা রিৱার্দ পীননবা হোৎনরগনি। বেঙ্কশিংনসু শেল-থুমগী তেংবাং লৌবা লাকপা অমদি তেংবাং লৌনবগীদমক হংবা লাকপা মীপুম খূদিংমক্তা তেংবাং পীবীয়ু। বেঙ্কশিংনা মীয়ামদা তাথি-তাওইনা তৌবগী থবক চথরবদি মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা তুমীন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মহুদ মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিনা হায়খি, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা পীরিবা লোনগী শেনফম অসি অপীকপা শেনফম ওইজরবসু কোভিদ-১৯ মরক অসিদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা হোৎনবদা অমদি ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# মশা লূম্লবী নুপী ১ মপুরোয়বগা লোয়ননা কোর্টনা চহী ১২/১২গী ফাদোক পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):

ঙসি লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেশল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুর ৱাইখোম তোনেন মৈতৈগী কোর্টতা চংখিবা কনভিক্ট অনীগী সেন্টেন্স হীয়ারিংদা কোর্ট অসিনা থা অহুমগী অঙাং নাউপুরিবী নুপী অমা মপুরোয়বগা লোয়ননা চহী ১২/১২গী ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা ফাইন ওইনা মথংশীৎনা লুপা ১,৫০,০০০ অমসুং লুপা ১,০০,০০০ পীনবসু খঙহনখ্রে।

কোর্ট অসিনা চহী ১২/১২গী ফাদোক পীখ্রবা নুপী অদুগী মমিং লালরোজামি দুলিয়ন (২৭) কৌই, মোরে ৱার্দ নম্বর-২ সুপর মার্কেটতগীনি। অদুগা মহাক্কী মপুরোয়বা অদুগী মমিংনা সৌগাইজম রোবিন্দ্রো (২৮) অপোকপা এস ইবোতোম্বী কৌই। ককচিং ৱাইরি থোঙাম লৈকায়দগী লাক্লগা মোরে ৱার্দ নম্বর-২ সুপর মার্কেটতা লৈরবনি হায়রি।

মখোয় অনী য়াওনা তোঙান তোঙানবা একুয়েইজ নিপালগী মথক্তা নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেশননা কেস এফ আই আর নম্বর ৩০ (৪) ২০১৮ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপনি। কেস অসি এন দি এন্দ পি এসকী সেক্সন ২২ (সি), ৬২, ৬০ (৩), ২৯, ২৫, ২১ (বি) গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অসিগী চার্জসীট থাগৎলক্লবা মতুংদা কোর্টনা মসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা চার্জ হীয়ারিং (চার্জ কন্সিদরেশন) পাঙথোকখিবদা অপূনবা একুয়েইজ নিপালগী মনুংদা একুয়েইজ তরুক কেস অসিদগী দিসচার্জ তৌখ্রবা মতুংদা মতৈ-মনাও অনীসিগী মথক্তা কোর্টনা এন এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন-২২ (সি), ২১ (বি) অমসুং ২৯গী মখাদা চার্জ ফ্রেম তৌদুনা মখোয়গী মথক্তা ৱায়েল চথরকখিবনি। অদুগা কেস অসিগী অরোইবা হীয়ারিং মমাঙ থাগী ১৯দা পাঙথোক্লবা মতুংদা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা রিজর্ভ তৌদুনা থম্লক্লগা থা অদুমক্কী ২৭তা কোর্ট অসিনা লাউথোক্তুনা মতৈ-মনাও অনীমক দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৫,২০০ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিংগা লোয়ননা ফাবগা মরী লৈননা মরাল লৈরে হায়দুনা কনভিক্সন পীখিবনি। অদুগা ঙসি চংখিবা মখোয়গী সেন্টেন্স হীয়ারিংগী ওর্দর মতুং ইন্না স্পেশল কোর্ট অসিনা এস রোবিন্দ্রোবু এন দি এন্দ পি এস এক্ট, ১৯৮৫গী সেক্সন-২৯, ২১ (বি) অমসুং ২২ (সি) গী মখাদা চহী ১২গী ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা লুপা লাক্ষ অমগী শেনফম ফাইন ওইনা থিননবা খঙহনখিবনি। অদুগা মহাক্কী লোয়নবী অসিবুনা এক্ট অসিগী সেক্সন ২১ (বি) গী মখাদা চহী ৭ কী ফাদোক্কা লোয়নবা লুপা ৫০,০০০ গী ফাইন অমসুং এক্ট অসিগী সেক্সন ২২ (সি) গী মখাদা চহী ১২ গী ফাদোক অমসুং লুপা ১,০০,০০০ ফাইন থিননবা কোর্টনা খঙহনখিবনি।

এস রোবিন্দ্রোগী লোয়নবীদা কোর্টনা পীরিবা তোঙান তোঙানবা চহী ৭ অমসুং ১২গী ফাদোক্কী মতম অসি পূন্না চৎমিন্নগনি হায়বগা লোয়ননা করিগুম্বা মখোয় অনীগী মায়কৈদগী পীফম থোক্লিবা ফাইন শেনফমশিং অসি ঙসিদগী পারগা থা তরুক্কী মনুংদা পীবা ঙমদ্রবদি মখোয়দা পীরিবা ফাদোক্কী মতমশিং অসি থা ৬/৬ শাংদোক্কনি হায়খি। অদুম ওইনমক, কেস অসিগা মরী লৈননা মখোয় অনীনা হান্না জেলদা লৈখিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## ক্বাক্তাদা টিদ্দিম লম্বী থিংখ্রে, পুলিসকা মুক্নবদা ৩ শোক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):

ক্বাক্তা কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটিনা ক্বাক্তা এরিয়াদা দিসেম্বর ৫ ফাওবগী মনুংদা থক্নবা অফবা ঈশিং ফংহল্লু হায়বা দিমান্দগা মরী লৈননা ঙসিদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা টিদ্দিম লম্বীদা পুং ৪৮গী বন্দ হৌখ্রে। খোঙজং চঙশিল্লিবশিংনা পুলিসকা মুক্নবদা টিয়র গ্যাস কাপ্পুনা তানখায়বদা মীওই ৩ অশোক অপন নংলে হায়রি।

ঙসি অয়ুক পুং ৫ তাবদগী হৌনা ওল ক্বাক্তা কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী থৌমীশিং অমদি খোঙজং শৌগৎপা ক্বাক্তাগী মীয়াম্না টিদ্দিম লম্বীদা উ-ৱা ফৈজিনবা অমদি লম্বীদা টায়র মৈ থাবনচিংবা খোঙজং চথরকখি। লম্বীদা গাড়ী অমত্তা চৎহন্দনা থিংদুনা থমখি। নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা এস পি বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা এদিসনেল এস পি (লো এন্দ ওর্দর) এল লমিওনা লুচিংদুনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম অমনা লম্বী থিংলম্বশিং অদু তানখায়দুনা ঈরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনখি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৮

## দিজমনিগী সস্পেন্সন ওর্দর হায় কোর্টনা চৎনহনখিদ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্কী কঞ্জ্যুমর এফেয়র্স, ফূদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুশন (সি এ এফ এন্দ পি দি) লোয়শঙগী জোইন্ট সেক্রেটরি রঞ্জন য়ূম্নামনা জুন ১১, ২০১৯দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না লোয়শঙ অসিগী মখাদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট কঞ্জ্যুমর দিস্প্যুট্স রিদ্রেসেল ফোরম, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট ওইবদগী সস্পেন্দ তৌখিবা হৌজিক্লা শিংজমৈ মথক থোকচোম লৈকায়দা লৈরবা ৱাংজিং অৱাং লৈকায়দগী নাওরেম দিজমনি (৬৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন বাসুদেবগী সস্পেন্সন ওর্দর অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা চৎনহন্দনা থমখ্রে।

ঙসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমদা এন দিজমনিবু ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট ওইবদগী সস্পেন্দ তৌরে হায়খিবা ওর্দর অদু ক্বাস তৌরে ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## দি সীশিং অমদি এস পিশিংনা এক্সন লৌখৎননবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):

ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চথরিবা পব্লিক এক্টিভিটিশিংদা কোভিদ এপ্রোপ্রিয়েট বিহেবিয়র ঙাক্তবগী রিপোর্ট কয়া লাক্লে। মরম অসিনা হীরমসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দেপ্যুটি কম্মিস্নারশিং অমদি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস পি)শিংনা কুপ্না মোনিটর তৌদুনা এক্সন লৌখৎননবা মণিপুর লৈঙাক্কী স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) ঐচ গ্যান প্রকাশনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা খঙহনখ্রে।

ওফিস মেমোরেন্দম অদুগী মতুংইন্না এপ্রোপ্রিয়েট বিহেবিয়র ঙাক্লা চৎতবা মীওইশিংগী মথক্তা মণিপুর ইপিদেমিক দিজিজেজ (এনফোর্সমেন্ট ওফ কোভিদ-১৯ গাইদলাইন্স) রেগ্যুলেসন্স ২০২০গী মতুংইন্না পেনেলাইজ তৌগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দি সী নীতা অরাম্বমনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না সোসল অমসুং কষ্টমরিগী থৌরমশিংদা মীওই ২০দগী হেন্না পুনবা য়াদে হায়রবসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা লৈবা লন্নাই য়ুমশিংদা পাঙথোকপা লুহোংবা অমদি শোরাৎকী থৌরমশিংদা মী য়াম্না পুনবগী মতৌ থেংনরে। লন্নাই য়ুমশিংদা পাঙথোক্লিবা সোসল অমসুং কষ্টমরিগী থৌরমশিংদা মী কয়া য়াম্না তীনবগে হায়বসি মোনিটর তৌনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরে। মরম অসিনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না লুহোংবা অমদি শোরাৎনচিংবা সোসল অমদি কষ্টমরিগী থৌরমশিং অসি ওপন স্পেস ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ ওইবা মীওই ৩ লৈখিদ্রে, কেস মশীং ১৫২ হেনগৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই ৩ নৌনা লৈখিদ্রে, কেস মশীংসু ১৫২ হেনগৎখ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা বিষ্ণুপুরদগী মশাগী চহী ৫৬ শুরবা নুপা অমা, চুড়াচান্দপুরদগী মশাগী চহী ৬৫ শুরবা নুপা অমা অমসুং বিষ্ণুপুরদগী মশাগী চহী ৭০ শুরবী নুপী অমা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই অহুম অসিগী মনুংদা অনীনা রিমসতা অদুগা মীওই অমনা জেনিমসতা লৈখিদবনি। মণিপুরগী ওইনা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইগা লৈখিদবা মশীং ৩০৯ শুরে।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা নুপা ৮৪ অমসুং নুপী ৬৭ য়াওনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১৫১ অমদি সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনেল ১ পুন্না মীওই ১৫২ নৌনা পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ৫১, রিমসতা ৪৩, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ১১, মাইপাকপীদা ১, মাদরস ক্যেরদা ২, স্বিসতা ১, শিজ হোস্পিটালদা ১০, খৃষ্টিয়ন হোস্পিটালদা ১, জিবন হোস্পিটালদা ১, হিলসাইদতা ২, রাজ মেদিসিটিদা ৮, ইসেন্ট দাইগ্নো-ষ্টিক্সতা ২, থৌবালদা ৪, বিষ্ণুপুরদা ১, চুড়াচান্দপুরদা ২, চান্দেলদা ১, সেনাপতিদা ১, তমেংলোংদা ১, নোনেদা ৪, কামজোংদা ২ অমসুং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৩ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৬১, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৪৪, থৌবালদগী ১৪, বিষ্ণুপুরদগী ৪, ককচিংদগী ১, তমেংলোংদগী ১, তেংনৌপলদগী ১, সেনাপতিদগী ২, কামজোংদগী ২, চুড়াচান্দপুরদগী ১৬, চান্দেলদগী ১ অমসুং নোনেদগী ৪ য়াওরি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওই খূদিংমক মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। মীওইশিং অসিগী মথৌ তাবা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিংসু লৌখৎখ্রে।

নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৬,২২৫ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৩,০৪৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## এন আই এনা ফাখিবা সলাইগী মেনেজিং দিরেক্টর য়াওনা মীওই অহুম কোর্টনা বেল পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):

সলাই গ্রুপ ওফ কম্পনিজগী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা নারেংবম সমরজিৎনা ওক্টোবর ২৯, ২০১৯ দা মণিপুর ইন্দিয়াদগী তোঙাল্লে হায়বগা লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট কাওন্সিল শেল্লে হায়দুনা লণ্ডনদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা লাউথোক্লুবগী মায়োক্তা নেশনল ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সি (এন আই এ), গুৱাহাটিনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা হৌজিক সলাইগী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা মীওই অমা য়াওনা কম্পনি অসিগী মীওই অহুম এজেন্সি অসিনা ফাজিনখিবা অদু কোর্টনা বেল পীখ্রে।

ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেশল জজ (এন আই এ), মণিপুর মাইবম মনোজকুমারগী কোর্টনা বেল পীখ্রবা কম্পনি অসিগী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী জেনরেল সেক্রেটরি অদুগী মমিং এলাংবম ব্রোজেন্দ্রো (৪২) কৌই, কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দগী এলাংবম ভুবনেশ্বরগী মচানুপানি। অতোপ্পা মীওই অনী অদুনা নারেংবম বিশ্বজিৎ অমসুং একে দিপানন্দ কৌই হায়রি। মখোয় অনীসু কম্পনি অসিগী বোর্দ ওফ দিরেক্টর্সকী মেম্বরশিংনি হায়রি।

কম্পনি অসিগী মীওই অহুমগী মনুংদা অনীনা এন আই এগী মায়কৈদগী জুদিসল কষ্টদিগী রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবনি। অদুগা অহুমশুবা মীওই অদুনা মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ পীবিনবা প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবনি।

অদুম ওইনমক, মীওই অহুমসিগী মায়কৈদগী মখোয়বু এন আই এনা লৌখৎলিবা কেস অসিগা মরী লৈননা তৌরক্লিবা চার্জশিং অদুদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## মোইরাংথেম ইবোতোম্বী লৈখিদবগী ২৬শুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে



থৌবাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্তা হান্না মিনিষ্টর ওইরম্বা মোইরাংথেম ইবোতোম্বী লৈখিদবগী ২৬রকশুবা নীংশিং থৌরম মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল চেরিটেবল ত্রষ্ট হৈরোক্লা শীন্দুনা ঙসি হৈরোক পার্ট টু ময়ায় লৈকায়দা লৈবা ইবোতোম্বী মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা লৈঙাক্কী পেন্সন ফংদ্রিবা হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী অহল অমদি লুখ্রাবী ১৬০২দসু পেন্সন য়েন্থোকখ্রে।

হৌখিবা চহীশিংদদি এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়াম্না শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা লাইনীংগী ওইবা লাইশোন পাঙথোকপা অমদি ব্লদ দোনেসন কেম্পনচিংবা থৌরম কয়ামরুম পাঙথোক্তুনা লাকপনি। অদুবু চহী অসিগী ওইনদি কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা লৈখিদ্রবগী নীংশিং খুভমদা লৈ কৎপা অমদি মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল ত্রষ্ট হৈরোক্লা অহল ওইরবশিং অমদি মপুরোয়বা কায়নখ্রবশিংগী য়ূম য়ূমদা অমদি পোল্লিং ষ্টৈসনশিংদা চৎতুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## বোরুন থোকচোমগী *আই রাইস* না বেষ্ট দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম এৱার্দ ফংলক্লে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):

পাউমী অমা ওইবদা নত্তনা ফিল্ম মেকর অমসু ওইরিবা বোরুন থোকচোমনা পুথোকপা *আই রাইস* না ৯শুবা মুম্বাই সোর্ট ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল (এম এস আই এফ এফ) ২০২০দা বেষ্ট দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম এৱার্দ ফংলে।

ফিল্ম অসি নিপাল্লক এসিয়ন চেম্পিয়ন্সিপকী মেদালিষ্ট ওইখ্রবা মণিপুরদগী শক্লাইরবী বোক্সর লাইশ্রম সরিতাগী পুন্সি ৱারীদা য়ুম্ফম ওইরগা মিনিট ৫২ শাংবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্মনি। ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়ারকখিবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম ১৯গী মনুংদা *আই রাইস*না বেষ্ট দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম ফংবা ঙমখিবনি। ফিল্ম ১৯ অসিগী মনুংদা ইন্দিয়া অমসুং স্পেনদগী ফিল্ম ৪/৪, য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতগী ফিল্ম ৩, জর্মনি অমসুং ফ্রান্সতগী ফিল্ম ২/২ অমসুং অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী ফিল্ম ৪ য়াওরিবনি।

পনবা য়াবদি বোরুন থোকচোমগী *আই রাইস* না ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোকখিবা তেগোর ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২০দা দি আউ-ষ্টেন্দিং এচিভমেন্ট এৱার্দ অমসুং বেষ্ট ফিল্ম ওন বুমেন এৱার্দসু ফংখ্রে হায়রি।

## সী টি স্কেন তৌখিরোই হায়না খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):

রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী দিপার্টমেন্ট ওফ রেদিও দাইগ্নো-সিসতা লৈরিবা সী টি স্কেন মেছিন অসি টেক্নিকেল ফেলর ওইদুনা লৈরে। মরম অসিনা মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্লিবা ফাওবা রেদিও দাইগ্নোসিস দিপার্টমেন্টতা সী টি স্কেন তৌখিরোই হায়না রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর ঐচ প্রিয়োশখিনা ঙসি থোকখিবা নোটিশ অমনা খঙহল্লক্লি।

## HL Poll

Q: Meeyamda piriba Totti Esing asi mari leinabasingna ningthina test touraba matungda pihanningbagi apamba leibra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Night Curfew thamba asina state asida covid-19 laichat sandorakpa thingbada mateng oire khanbra?

Yes 0% No 100%

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৭.২৪ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৬.০৯ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## অস! লোইরেহে!





URGENTLY WANTED
IMPHAL DIAGNOSTIC CENTRE (IDC)

| Sl. No. | Name of Post | Qualification | Post | Experience | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Office In Charge | Graduate with good communication skills. | 1 | 5 years or above in related field. | Negotiable |
| 2 | Marketing Manager | Graduate Preferred MR with good communication skills. | 1 | 3 years or above in related field | Negotiable |
| 3 | Marketing Executive | 10+2 & above Preferred graduate with good communication skills. | 10 | At least one year or above in related field | Negotiable |
| 4 | Computer Operator | 10+2 or above with relevant cert. | 1 | 2 years or above & must be good at Pagemaker and photoshop. | Negotiable |
| 6 | Senior Lab Technician | MLT or related documents | 3 | 5 years exp. in related trade | Negotiable |

Office Adress:Palace Compound, Govindajee Road, Near Castle Hotel, Imphal East, Contact no. 8118937765

HL-B/6522/12/11-11/12

PANTHOIBI HOUSING FINANCE COMPANY LIMITED (PHFCL)
Regulated by Reserve Bank of India (RBI)

And also specified as a Financial Institution by the Ministry of Finance, Department of Financial Services, Govt. of India under the SARFAESI Act. 2002. First License Holder Public Limited Housing Finance Company in the Entire North Eastern Region of India. 15 years completed in service.

PROVIDES SUBSIDISED HOME LOAN with a subsidy amount up to Rs.2.67 Lakhs under the "Pradhan Mantri Awas Yojana – Credit Linked Subsidy Scheme (PMAY – CLSS), Housing for All by 2022 Mission.

Government/Private Employees, Businessmen can apply the said Subsidised Home Loan.

Details can be had from the office during office hour.

PANTHOIBI HOUSING FINANCE COMPANY LIMITED
Tourangbam Leikai, Uripok, Imphal

HL-B/6596/8-12

LOAN AVAILABLE

VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
GOLD MORTGAGE



- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage:
Imphal East | Imphal West | Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-B/6509/11th Nov. to 5th Dec.